# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 24-07-2025)**

**হোম (এল)ঃ** মনিপুরদা মীতোপ চংল্লকপা থিংনবা রাজ্য সরকারনা মতম চানা অইবা চেরোল অমা থোক্তুনা থবক লৌখৎলকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মহাকা হায়-সরকারনা অসিগুম্বা থৌরাং অমা মখা তানা পায়খৎলকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মহাকা মুখ্য মন্ত্রি ওইরিঙৈ ইং ২০১৭ দগী হৌদুনা ঙমখৈ পরিংদা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনখি। ঐখোয়গী ঙমখৈ অমদি শক্তম ঙাকপা হায়বসি ঐখোয়গী তৌদবা যাদ্রবা থৌদাংনি।

অমরোমদা, মনিপুরগা যুমলোন্নেরিবা লৈবাকশিংদা চরাংনবা থোকপদগী রাজ্য অসিদা মীতোপশিং চংশিল্লকপা য়াবগী চিংনবা লৈবনা রাজ্যগী হোম বিভাগনা এদভাইজরি অমা থোকখ্রে।

রাজ্যগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি (হোম)-এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না জিলাশিংগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিং অমসুং এস.পিশিংনা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈদুনা রাজ্যগী ঙমখৈশিংদা আইনা কায়না মীতোপশিং চংশিলক্তনবা হোৎনগদবনি। অসিগুম্বা মীওইশিং চংশিল্লকপা থেংনরবদি খুদক্তা পাউ পীবগা লোয়ননা মখোয়গী বাইওগ্রাফিক অমসুং বাইওমেত্রিক্কী অকুপ্পা ৱারোলশিং লৌগদবনি। অসিগুম্বা আইন কায়না চংল্লকপা মীওইশিং থেংনরবদি মখোয়বু খঙদোল্লবা মফম অমদা মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা থমগদবনি। আইন কায়না চংল্লকপা মীওইশিং তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলবা মতুং মরমদমদা হলহনখিগদবনি।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** শকাইরবা প্লে রাইট অমসুং ঠিয়েটর পার্সোনেলিতি-রতন থিয়ামনা লৈখিদবদা ঙসি রাজ্যগী থাক্তা ইকায় খুমবা উৎকনি হায়না মনিপুর সরকারগী জেনরেল এদমিনিষ্ট্রেসন দিপার্টমেন্টকী চেরোল অমনা ফোংদোক্লি।

চেরোল অসিনা হায়-অৰাবা ফোংদোকপগা মরী লৈননা রাজ্য শিনবা থুংনা জাতিগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথগনি অমদি ওফিসিএল ওইবা হৰাউ কুম্মৈ তৌরোই হায়রি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী ইরাং থোকপা য়াবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথরি।

পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-আইননা য়াদবা মীওইশিং লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তাকয়েল খোঙবাল খুমন্থেম লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী মীওই অনি ফারে। ফারবা মীওইশিং অসি মহে লোইশঙ, সরকারগী ওফিস অমদি মীচম মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয়দগী মোবাইল হেন্দসেট অহুম য়াওনা শেল ওইনা লুপা লিশিং ৩০ ফাগৎলে।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী তবুংখোক শাগৈ ব্রিক ফিল্ডদগী প্রিপাক (প্রো) মীওই অমসু ফাগৎখি। ফারবা মীওই অদু ককচিং জিলাগী চিরেন ময়াই লৈকাইদগীনি। অতোপ্পা পাউ অমদা, কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমসু মহারাবী ওইল পম্প মনাক্তগী ফাখি। ফারবা মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী য়াইরিপোক তোপ চিংথা মাইবম লৈরক্তগীনি। মহাক তম্পাক্তা লৈরিবা ওইল পম্পশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি। মীওই অসিদগী লুপ অসিগী দিমান্দ লেট্টর তরেৎ য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎখি। লোয়ননা কে.সি.পি. (এম.সি) গী মীওই অমসু পুলিসনা ফারে হায়রি।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক অনিগী খোঙচৎতা লন্দনদা থুংখিবগা লোয়ননা ঙসি বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর-কিয়র স্তামরগা উন্নগনি।

লুচিংবা অনিনা ঙসি অৱাং নোংচুপ লন্দনদগী কিলোমিটর ৫০ চৎলগা লৈবা বৃটিশকী প্রধান মন্ত্রিগী লৈফমদা চৎকনি। উন্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা অফবা মরী থমবা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা খন্নগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা লন্দনদা থুংখিবা অসিনা লৈবাক অনিগী ঙাকশেল, লল্লোন ইতিক অমসুং টেকোলোজিগী লমদা হেন্না অফবা থমবনি।

মরক অসিদা, প্রধান মন্ত্রি অনিনা শাক্কি ওইদুনা কর্ম্মস মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়ল অমসুং বৃটিশকী মহাক্কা ফম মান্নবা জোনাথন রেনোলস অনিনা ফ্রি ত্রেদ এগ্রীমেন্ট (এফ.টি.এ) সহি তৌনগনি। প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং লন্দনদা হেক থুংবদা লৈবাক অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

**ফুদঃ** কেন্দ্রগী ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-চিরাখ পাসৱাননা হায়রি-মরিশুবা ৱার্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া ২০২৫ লাক্লিবা সেপটেম্বর ২৫ দগী হৌরগনি।

ঙরাং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা করটেন রাইজরগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়-থৌরম অসি ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রালয়না শিনদুনা ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দাপমদা মরিশুবা ৱার্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া ২০২৫ পাঙথোক্কদবনি। নুমিৎ মরিনি চুপা চত্থগদবা থৌরম অসিগী হীরমনা ‘প্রোসেসিং ফোর প্রোসপরিতি’ হায়বসিনি।

মহাকা মখা তানা হায়-থৌরম অসিনা লৈবাক অসিগী ফুদ প্রোসেসিং সেক্তরদা থবক তৌরিবশিংগী মরক্তা অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোকপগা লোয়ননা খুমাং চাউশিনবা সেক্তর অমা ওইহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মসিদসু নত্তনা লৌমী কয়াগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা, নহা কয়াদা থবক পীবা অমসুং লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোনদসু অচৌবা মতেং ওইগনি।

**ভিসিঃ** ইলেক্সন কম্মিসননা উপ রাস্ত্রপতি খন্নবা মীখল পাঙথোকবা থবক থৌরম হৌখ্রে। উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা ফম থাদোকখিবদগী ইলেক্সন কম্মিসননা থৌরাং অসি পায়খৎলকপনি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়দা শ্রী জগদিপ ধনকরগী ফম থাদোকপগী ৱাফম অদু খঙহন্খ্রবা মতুং মীখলগী থবক থৌরশিং অসি পায়খৎলকপনি। জগদিপ ধনকরনা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম য়েংলগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফম থাদোকখিবনি।

**মনকিবাটঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১২৪ শুবা ইপিসোদ থা অসিগী ২৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং তৌগনি। এল.আর.এস অকাশবানি চুরাচান্দপুরদসু থৌরম অসি শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক্ট লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মীতোপ চংশিল্লকপা থিংনবা দি.সিশিংদা খঙহনখিবা, ঠিয়েটরগী অরংবা থৱানমিচাক-রতন থিয়াম লৈখিদবা অমসুং মহৈ তম্বা ফংহন্নবা মহৈরোইশিংনা চংশিনখিবা খোঙজংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা মরুওহবা পাউশিং ওইরি।

মীতোপ চংশিল্লকপা থিংনবা দি.সিশিংদা খঙহনখিবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি, হুইয়েন লানপাউ, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক,

পিপলস ক্রোনিকল, মনিপুর মেল, হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমদি গানফিযু মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসি সনা লৈবাক্তনা কাংলোন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা থেংননবা লৈঙাক্কী কাংলোন য়াৎখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট খুদিংগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কমিতি শেল্লগা বাউন দরি চেক তৌগদৌরি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঠিয়েটরগী অরংবা থৱানমিচাক-রতন থিয়াম লৈখিদবগী পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। লোয়ননা মহৈরোইশিংনা মহৈ তম্বা ফংহন্নবা খোঙজং চংশিনবগী পাউ অমসু অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অয়াম্বা পাউশিংগী অহানবা লমাইদা তোঙান তোঙনবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

রিমসকা থবক লৌবগী প্রোসেসতা পেন্দদবগী ৱাফম চাউনা লৈরে হায়বা পাউ অমা সনা লৈবাক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা-এনক্রোসরশিং ইভিক্সন তৌবদা প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্কী অরোইবা পাঙ্গল চাংয়েং-থঙ্গাল কৈথেলদা এনক্রোসরশিং তকথোকপদা য়াইতোং খমদোংবশিংগীসু ইভিক্সন তৌবা ঙমগদ্রা হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-রাবিনা, সঞ্জিব মীহাৎ নীংশিং কুমওন পাঙথোকখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-ঠিয়েটরগী লমদা শকাইরবা অরংবা থৱানমিচাক-রতন থিয়াম লৈখিদ্রে। ঙসি জাতিগী ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা ষ্টেটকী থাক্তা অৱাবা ফোংদোক্কদৌরি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা চুরাচান্দপুর পুলিসনা মীওই অমা লুপা লাখ অমগী মমল ওইগদবা ডব্লিয়ু. ৱাই .টেব্লেটকা কোন্ননা ফারেহায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

ওজাশিংগী ষ্ট্রাইকনা মহৈ তম্বদা অকায়বা পীরে হায়বা পাউ অমা মনিপুর

মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১১ দা দেঙ্গিগী কেস থেংনখ্রে। মীওই অমা লৈখিদ্রে, মীওই ৯১ দেঙ্গিনা নারে হায়বা কনফার্ম তৌখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল তমেংলোংগী এম.ও. ২২ ত্রান্সফর তৌখ্রবা মতুং এম.ও. ৫ দগী হেন্না থারক্ত্রি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।